ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ১৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৫শুবা মশীং

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি

পার্লিয়ামেন্টতা বিল ফাওবদি পুথোক্লক্লম্বা য়াবনি

দিমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাকশিংগীদি পার্লিয়ামেন্ট হায়বসি শেংলবা লাইশঙগুম্বনি। মসিমক্লা মরম ওইরগা লো মেকরশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাওসতা চঙলকপদা লাইবক কৎনরিবনি। মফম অসিদা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং খন্নরিবনি, নৈনরিবনি। মীয়ামগী য়াইফননবা মখল পূন্নমক্কী লোশিং শেল্লিবনি। লৈঙাক অমনা চাদিং তৌরিবা শেনফম পূন্নমক পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌরবা তুংদা অয়াবা পীরিবনি। অরোৎপা হায়বা অমা থম্বা য়াদবা শেংলবা লাইশঙ অসিদা লো মেকরশিংনা চত্থরিবা পোলিটিকেল গেমশিং অসি হেক উরুবদা মপান লৈবাক্কী মীয়াম্নদি অঙকপা ফংনা ঙক্লমগনি। লোক সভাগী চেনেলশিংদা লাইভ ওইনা থাদোক্লিবা মীফমগী শক্তমশিং অদু উরুবদা মরৈবাক নুংশিবা ইন্দিয়া মচাশিংসু মমিৎতগী মপি তারমগনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি, পার্লিয়ামেন্ট হাওসতা মীয়ামগী খন্ন-নৈনগদবা ৱাফমশিং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এম পিশিংনা অয়েৎপা অপনবা পীবদগী খন্নবা ঙমদবা অসিনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা লোক সভাগী মীফম অদু পূন্না সিটিং ৫৭ লৈখি। বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিদা বিল পুথোকপা য়াবা ময়ামগী মনুংদা মণিপুরদা শাগদবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিসু য়াওরি। অদুবু বিলশিং পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী ইস্যুশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈঙাক পায়মীন্নরিবা পোলিটিকল পার্টিশিং অমসুং ওপোজিসন্না অয়েৎপা অপনবা পীবদগী নুমিৎ ২৩নি সেসন চত্থবা য়াখিদে। অন্ধ্র প্রদেশপু স্পিসিয়েল কেটাগোরি ষ্টেটস পীগদবনি হায়বা ৱাফম অমদগী হৌরগা টেলঙ্গনাগী এম পিশিংসু মদুবু শৌগৎতুনা লোক সভাদা চরাংনবা থোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা এন দি এগী মপাং অমা ওইরিবা অনা দি এম কেগী এম পিশিংনা কাবেরি ৱাথোক্কা মরী লৈননা কম্মিসন অমা শেম্মু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শুপ্নতগী এম পি ৫/৬ খক্তনা পার্লিয়ামেন্ট চত্থবা য়াহনখিদে। মদুগী মতুং তারকপদা ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা পুখৎলকপা নো কনফিদেন্স মোসন অমা স্পিকরনা খন্নসি য়াদবগী মতাংদা অমুকসু মীফম ফম্বা য়াখিদে। মসিগীসু মথক্তা সেদ্যুল ত্রাইব, সেদ্যুল কাষ্টকী রিজার্বেসনগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিংনা ওইহল্লকখিবা ফীভমগী মতাংদসু মতেক অমা চরাংনবা থোকপদগী শাংলবা নুমিৎ ২৩নি অসি অরেম্বদা হৌখিবনি হায়বা মীয়াম্না খঙই।

মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৱাফম অসি লৈবাক অসিদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইএন্স (য়ু পি এ) গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈদগী থবক পায়খৎলকপা হৌখি। মণিপুরদসু ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈদা য়ুনিভর্সিটি অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইথিবী লৌকোন্দা শান্নবা অকনবা থবক লৌখৎলমখি। অদুবু সেন্তরদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট তুখ্রবা মতুংদগীদি য়াইথিবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৱাফম অসি মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন কয়ানা য়ানীংদবগী মথক্তা বি জে পি মণিপুর য়ুনিটনসু য়াম্না কন্না য়েৎপদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ঈশিং তুংগনবা মফমদা য়ুনিভর্সিটি শাবা নুংঙাইরোই হায়দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৌক্রুক্তা শানবা মফম লেপখি। মণিপুরদসু বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা, সেন্তরদসু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট লৈরগসু স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শান্নবগী থবক থৌরমদি হৌজিক ফাওবা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রি। নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরকখিবা চহী অমা ফারবা ফাওবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লীংননবগী বিল ফাওবা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌবা লৈত্রি। পার্লিয়ামেন্টতা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগা মরী লৈনবা বিল পুথোক্তবগী মতাংদা বি জে পিবু শৌগৎপশিংনা য়েৎলিবনা লোক সভাগী মীফমদা ওপোজিসন্না অকায়বা পীবদগী পুথোকপা ঙমখিদবনি হায়বসিনি। অমরোমদা কোংগ্রেসপু শৌগৎপশিংনা মরাল শিরিবনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ওপোজিসনগী ৱাহৈ মতেক অমা ফাওবা তাবা ফংদনা বজেট পাস তৌখিবসি হন্দক্কী মীফম অসিনি। মসিনা তাক্লিবদি তঙাইফদবা বজেট পুথোকপগা মরী লৈনবা বিলশিংদি অদুম পুথোকই অদুগা পাস তৌখি। মসি নত্তবা অতোপ্পা বিল ৪/৫সু চরাংনবা মরক্তা পুথোকখি অমসুং পাস তৌখি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী বিল অসি তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌরম্বা তারগদি অদুম পুথোক্লক্লম্বা য়াবনি অমসুং পাস তৌরম্বসু য়াই। হৌজিক্তি য়ুনিভর্সিটি লীংবগী থবক্তা মসিনা য়াম্না অকায়বা ওইরে হায়বা তারগদি ওর্দিনান্স অমা চলাইবসু য়াই। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি বিল নৎত্রগা ওর্দিনান্স অমা পুথোক্লনবগী তঙাইফদবদু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা ফাওদ্রি হায়না লৌবা য়াই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা ফাখিবা কৈশিংগী মনুংদা তৌবুলদা ফাখিবা কৈ অদুনা খ্বাইদগী চাউই হায়নরি।
  (ক) করম্বা নিংথৌনা কৈদু ফাখিবগে?
  (খ) কৈদু ফুট কয়া শাংবগে?
২। ‘‘কিগনু/লিন নত্তে/ঐগী কবিতানি/ঙাইহাক্তা থনমগে নঙোন্দ।’’ পরেংশিং অসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। কবি থাংজম ইবোপিশকপু মণিপুরী শৈরেংগী লানলুম্বা কবি হায়না অইবা অমনা কৌখি। অইবদু কনানো?
৪। ‘‘নবুক অদুক ফত্তবদি/নহাক্কী ফি মখে লৌশিল্লগা ঐগী ফনেক্তুনা চোৎহল্লবনি।... কৈদৌগে ঐগীসু চৈ অমত্তনা ওইরবসু... লৌশিনবীরম্বা য়াইদনা।’’ পরেংশিং অসিনা ‘অধিকার মান্নবা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। ‘ঐগী দায়রিদগী’ কৌবা নীংশিং ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি

১) মাইবম নিলান্দো, সম্বে মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট	(৫)
২) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈ লৈকায়	(৫)
৩) সনসম লক্সমি চনু, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায়	(৫)
৪) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ	(৫)
৫) ***প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি***	***(৫)***
৬) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়, রাজ বাপু থোং মনাক	(৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৯গী ৱিন্নর

প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

লিটরেরি ক্যুইজ ৬৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্লি।
  (ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে? **: মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক**
  (খ) করম্বা শাগী মঊন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে? **: ষণ মঊন**
২। ‘‘থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্লা ফজৈদা/নৌনা পূক্লিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।’’ পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **: চন্দ্রনদি।**
৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা ‘মহেশ’কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু। **: কামধেনু।**
৪। কুমজা ১৯৭৭তা ‘নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু। **লোংজম ওংবী ইবেমপিশক দেবী**
৫। ‘‘শাৎলমদরে কোন্থীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।’’ ঈশৈ পরেং অনীসি ‘ঈশৈ চনিগী পরেং’ কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো? **: কোনসবা ইবোচৌ।**

চৈরাউবা মতুংদা ফরক থাবলগী খোঞ্জেল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৮৪

জিতেন নামৈরাকপম

ঙাহৌ-ঙাহৌ তূম্লুরবা মতুংদা মীকপ থোরকপা মতাংনি ঙরাং অহিং অদু! পুং ১১গা মিনিট ৫৭ কুম্বা চৎলম্লে। মালংগী নুংশিৎ নামিবনা পুরক্লিবা খোঞ্জেল ওইগদ্রা, থাপ্লপ্না খরা থাপ্পা মফমদগী পুরকপা খোঞ্জেল ওইগনি খল্লি। থাবল চোঙবগী মখোল তারকই। মখোলদু অমুক য়াকশিল্লকই। অমুকসু তপ্না-তপ্না লাপথোকখি। মসিসু থোয়না ঙক্লিংঙাইবুদি ওইদে। থাবল চোঙবসি মৈতৈ ঐখোয়গী লূ-তোংদা নপ্পুনা লৈখ্রবা চৎনবী অমনি। অদুবু খঞ্জিল্লুবদা অমুকসু ঙকই। মরমদি চৈরাউবা অনী লোইখ্রবা মতুংদা থাবল অমুক চোঙখৎলকপদা করিনো তৌরিবা মতৌ অসিবো, মানা-মানা অপাম্বা, অনীংবতা তৌনরিবসিবু পংয়াদা য়ান্নরবা জাৎলা? হন্দক্কী য়াওশঙ লোইখিবা থা অমা হেনখ্রে। থা অমগা মখায়দুম ফারক্লে। হন্দক্কী য়াওশঙ নুমিৎ অদু হৌখিবা মার্চকী তারিখ ২দনি। য়াওশঙ নুমিৎ ৫নি তৌরগুমসি, নীনিদা-হুমনিদা তেনশিল্লসি হায়নখিবনি। নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না থাবল চোঙলগুমসি, চোঙবসু য়ারোইকাইদনা থিংনখিবনি। মেত্রিক পরিক্ষা, টুয়েল্ভ এগজামিনেসন মনুংদা থাবল চোঙবা শিনবা-লাংবা ক্লব-লৈকায়, মৈ ঙান্না থানখিবা, ধোল হৌনা থিনবা অমদি বেন্দ পার্টিগী মশীং ৭০ রোম চঙজরক্কদবনি, ৱাখল তামিন্নগদবনি হায়না লূপ কয়ানা মমিং মথা পাউচেদা ফোঙদোকখিবসু লৈখিবনি। অদুগা লাল্লে তৌজররোই, ঙাকপীয়ুগা হায়বগী পাউদি অমত্তা তাবা ফংখিদে। পাউচেদসু হাপ্লকখিদে। অদুনদি নখোয়না হায়রিবদু নৱা লৌদে, তৌনীংবতা তৌগনি, নথৌ নত্তেকা হায়বগী মওং নৎত্রদো?

খ্বাইগী মতাং অসি য়ৌরকপদনি মণিপুর অসি নোংম-নোংমগী লুশিল্লক্লিবা অসি। তৌনীং-তৌনীংবা তৌবদা থিংবীনবা কনাসু লৈতে হায়বগী মওংনি। লো ইনফোর্সিং এজেন্সিদা থবক তৌরিবশিংসু মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদে। অহৌবা মখোল হৌহনবা য়ারোই ‘নো হোর্ন জোন’ থাবা মফমদা অসামগী লম্বীদা থৎতুনা লৈরম্বা শামুদা খোংগদবা দেসিবেল চাম্মগী মথক্তা হৌবা হোর্ন কংলাপাক চুথেক্তা খোংজিল্লি। কনানসু করিসু তৌনদে। সাইন বোর্দ থেৎপবু থেৎচবগী ৱা খক্তনি খন্নে। হাওসি শান্নবা য়ারোই অহিংদা মখোল হৌহল্লগুমসি হায়বগী অথিংবা মরক্তা অহিংগী পুং ১ তাবা ফাওবা হাওসি লাউখৎলকই। নেক্স আই পিকঅপ য়োর লক্কী নম্বর, ফ্লায়িং বর্দ, অমেরিকান ফেট লেদি, পঞ্জাব নম্বর, ভেরি দেঞ্জরস নম্বর -ফোর, সোকা নম্বর, হোকিষ্টিক নম্বর, পেলে নম্বর, উলটা পুলটা নম্বর, নিয়র-দ-গো লাইন ৱান, ভেলেন্টাইন্স দে নম্বর, হাফ দজন, হাফ ওফ দ সেঞ্চুরি, অপাইবা উচেক নম্বর-অহুম, ঙানু নম্বর-টু, সিঙ্গল নম্বর তরাদগী অমা খাইদোকখিবা মাপল, থাদা রোকেট তাখিবা এপোল্লো - তরামাথোই, য়োর চুজিং নম্বর ষ্টার ওফ থকচবী পার্টি, টম্বোলা নম্বর তাববু ফনা নুংঙাইখৎলক্লি, তূম্বা য়াদ্রবসু। অয়াম্বা মতমদা তাখৎলক্লবনিনা হাওসি চিনফা পুখৎলক্লে সনা লৈবাক অসিদা পোকচরুবগী হায়বা তাই।

মথক্কী অসিনা হাওসিগী ৱানি। খ্বাইদগী হেন্না ফরক তাখৎলক্লিবনা লাই হরাউবগী মখোল অসিনি। লাই হরাউরিব্রা, মী হরাউরিব্রা হংবা য়াবা ৱাফমনি। লাইদি মীনা শেম্বনি, চৎন-কাঙলোনসু মীনা শেম্বনি, মী লৈত্রবদি লাই অমত্তা লৈররোই, লাইসু হরাউবগী মখোলসু তাররোই হায়না মরুপ ইবোহলনা হায়খিবা ৱা অদু নীংশিংলকই। ঐখোয়গী লাই হরাউবসিসু খরদি হেনদি হেনমনখ্রে। লাউবগা, খোংবগা, থিনবগদা অনা-অয়েক হনু-হনা খংপ্রেক খংবদগী শিবসু য়াওখ্রে। অইবগী য়ূমলেং পরেং লাল্লগা উমং লাই ইবেন্থৌ অমগী লাইশঙ লৈজে। য়ূমদগী হেক চৎথোকপা খুদিং ইবেন্থৌ মঙোন্দা নিজে অশোয়-অঙাম থোকহনবীগনু, য়ূমদা অমুক তেক্তা কায়দনা হল্লকপা ওইজগে। ঙসিসু তেক্তা কায়দনা হিংহনবীরিবসিসু ইবেন্থৌগী মপালননি খঞ্জে। তৌবতবু লাই হরাউবা মতমদদি থরকসি অমুক অমুক হুনগৎলি, মীহুন চেঙ্গুম-চেঙ্গানবগী ফীভমদা লৈ। মরমদি নুংথিলগী পুং ৪গা তারকপদদি ঙসাই অয়ূক্কী পেনা খোংবগা-শকপগী মখোলদগী হেন্না হৌগৎলক্কনি। সাইদ দ্রমগী চৈতেক অনীদু কন্না খৎচিল্লক্কনি, ধোনগী মখোল হৌগৎলক্কনি, ক্লাইরনেট মখোলনা নাকোং দ্রম শেগায়দৌবগী ফীভমদা খোংগৎলক্কনি, মাইবী খোনসি-খোঙদাউদা লুম্না থারক্কনি- ***হৈরাংখোইনিদা চানবা হৈনিদা, মমাঙ লৈকায় থম্বাল শাৎলে...***। নুংশিখ্রবা ঐখোয়গী ত্রেদিসন কলচরগা মরী লৈনবা ঈশৈ ঙাক্তনি অদুবু অইবনা পেঞ্জদ্রিবসি মাইক পান্নরিবা মহন্তদু নৎত্রগা মখোল হৌহন্দ্রবদি য়ারোই হায়না ওর্দর তৌরিবা লাই কম্মিটিগী মীওই অদুনি। লৈকায়গী মৌ-লৈশাবী, নুপা-নুপী, অঙাং খায়দনা থোরক্তুনা খূৎথেক জগোয় কৎকনি। লাইবৌ চোঙগনি। লাইগী থৌরম পাঙথোক্কনি। লাইগী থৌরম লোইরবা মতুংদা জগোয়গী, ঈশৈগী, জাৎ-জাৎকী প্রোগ্রাম কয়া লেংদুনা থল্লগা পাঙথোরক্কনি। অহিং চুপ্পা তূম্বা য়াররোই।

নোংঙাল্লমদাই ঙাহৌ ঙাহৌ উইথরুবদা ঙায়রিঙৈদা পেনাগী য়াকাইরোল শক্লকপদা খংপ্রেক অদুম খংলে। অসুম্না লেপ্তুনা চত্থরক্কদৌরিবা অসি নুমিৎ ৮ নৎত্রগা ১০নিদি শোয়দ্রে। মাইবীনা লাইফাও ফাওজিল্লগা নুমিৎ মশীং হেনগৎলকপসু য়াওদবা নত্তে।

ফীভম অসিদা অমেরিকা মচা নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাক্তুনা মণিপুরগী কলচরগী মরমদা থিজিনবা লাকপা কাঙবুসু ওইসনু, লাইবুংগা হেক নক্লনা লৈরিবা অইবগী য়ূমদা তূমহনবা লেকহন-চাহনবা মতমদা কুইরোই নুমিৎ নীনি শুরকপদা মনা পংলনি খন্দুনা অদুম চেনখিনি। মন্ত্রিপুখ্রিগী মফম অমদা লৈবা মরুপ ত্রাইবেল অমগী নুপীনা মখোয়না ঐবু চাক্নৌবা মতমদা (শাবেং থোংবনি হায়) ঐঙোন্দা ৱাকৎলকখি, হায়রকখি - ব্রদর, নখোয় মৈতৈশিংসি শাওবদি শাওনুকো হায়গে, রেদিও থারুরে নুংথিলদা দ্রামা হায়ব্রা করিনো নুপীসু নুপাসু পংকপ্তা কপ্পী, হৌনা-হৌনা পংলাউদা লাউই। তানীংদবনা তানীংদবনা না অসি মেনশিল্লে। অহিংদসুনি, লাই হরাউবা হায়ব্রা দোং-দোং, পে-পা পংখোংদা খোংই, পংলাংদা লাংই। অহিং তূম্বা শুকয়া য়াদে। করিদবু নুংঙাইরিবনো অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা। মৈতৈনা শিংঙেদি হায়রগা মৈতৈমুক পংবা লৈরমদ্রে। শাওনুকো তাদা! ত্রাইবেলমুক পংবা লৈতে মৈতৈনা হায়নরগসু ত্রাইবেল মৈতৈমুক পংবা লৈতে হায়রল্লিবসি ঐখোয় খন্থনীংঙাই য়াম্না ওইরবনি।

হাওসি, লাই হরাউবদগী হেন্দোক্লগা ঐখোয়গী লৈকায়গা হেক থংনবদা মাইক ৱাংনা পানখৎলগা নুংতিগী লাউবা লৈকায় অমসু লৈরি। পুখ্রি শেংবগী, শেল খায়নবগী, চেঙ, কেরোসিন য়েনবগী, লৈকায়গী মিটিংগী করি-করা পংলাউদা লাউই। ইস্কোলদা ষণ চঙবগীসু লাউখৎলকই। অচাথাউ লৈবা চৎখিবা মুতুম রামেশ্বর নহাক থুনা লাকও শোমদা খাং শারে, মৈ হৌগদৌরে কায়নসু লাউখৎলকই। অঙকপনি। লাউগে লাউজরো নাকোং মেনবা নত্তনা উপায় লৈতবগী ফীভমদা লাক্লে। খ্বাইদগী ফরক তাখৎলক্লিবা তান চাদনা থাবল অমুক চোঙখৎলকপা অসিনি। ঙরাং অহিংগী থাবল মখোলদি লেপখ্রবসু হয়েং অহিংদা করি মখোল তাগদৌরিবা? চোঙউ-চোঙউ ননীং তেক্লা চোঙউ, তল্লগা তোকচখিনি হায়গদৌবা মঙায়রে।◐

শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগীদমক হোলিগী খোঙচৎ অমদা ফাওরকপা ৱাখল -৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

বস তোংদুনা লমশাং চৎপা খোঙচৎকী অৱাবদি করি হায়রুগনি। অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংদা করিগুম্বা তূম্নিংলকপা মতমদা ইশা-ইশানা ফম্নরিবা মফমদুদগী হেন্দোক্লা খোঙ তিংথোক্তুনা তূম্বা য়াদবদুনি। অদুবু লাইবক ফবদগী ঐখোয় অনীখক্তংদি মী অনী ফমগদবদু ঐখোয় অমমমতা ফমই, মদুসু পরেং অমত্তদা। অদুনা ঙহাক-ঙহাক খোং শাংনা তিংথোক্তুনা তূম্লগা চৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। ফম্না-ফম্না উইবা অমদি তূম্বা হৈবা কনাগুম্বদি অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং খায়দনা গাড়ীগী লেংলি-লেংলি তৌবদুনা নাউশুমদা হাইবগুম খনবননি খঙদে, নুংঙাইনা তূম্বগী মওং উবা ফংখি। অইবা ইশাদি অসুম হায়না তূম্বসি হৈতবনা, অতৈনা নুংঙাইনা তূম্বদু উবদা কল্লকপা ফাওখি। মী অমগা অতোপ্পা অমগা মপান ইপান থোকপা/থোক্কনবা মান্নদবনা মরক্তা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং ওইরবসু মতাং অমদি গাড়ী খামফম চাদবা মতাংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নবসু য়াওদবা নত্তে। ফীভমসিমক ত্রেন তোংদুনা চৎপদসু পেসেঞ্জর য়াম্না চিনবা মতাং থোক্লুরবদি চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোং চাদবদগী অৱাবগী মশক ওইদবসু নত্তে। মী খরা কোল্লবদি ত্রেনগী খোঙচৎতদি মপান ইপান থোকপা, খোঙহাম-খূৎহাম্বদা থোয়না ৱানীংঙাই ওইদে। ঐখোয়গী খোঙচৎতি বসকী ওইবনা দ্রাইভরনা মফম চাবা য়েংলগা ঙহাক-ঙহাক্কী ওইনা মরক-মরক্তা খাম্বদা ইশাসি খংয়াং-য়াংবগুম ফাওনদবদি নত্তে। তাং ২৪-২-২০১৮গী ওইনদি জুকো ভেল্লি হাইগৎফমগী মনাক্তা লৈবা ৱেটিং সেদতা চাক থোংলগা অয়ূক্কী পুং ৯ তারমদাইদা চাখিবদুগী মখা তারকপদা নুমিদাং পুং ১০.৩০ মুক তারকপদা অসাম মনুংদা দ্রাইভরনা খুদোংচাগদবা মফম চাবা য়েংলগা চাক চানৈ। চাক চাদ্রিঙৈ নৎত্রগা চারবা মতুংদা নম্বর টু তৌনীংবশিংসু বস অমুক থৌদ্রিঙৈদা তৌনৈ। মফম-মফমগী মতুং ইন্না চানরিবা চিঞ্জাক অমদি মদুগী চৎনরিবা মমলগী মরমদসু খঙবা ঙল্লকখি। চাংচত্তা ঙা মথেল অমা য়াওরগা চাক ফুল অমা চাবদা লুপা ১২০দগী লুপা ১৫০ ফাওবা লৌনৈ। তল চানবা কাঙবুনা লুপা ৬০দগীনা লুপা ৮০না পুক থল্লি হায়নৈ। অসুম্না মশা মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না চানরবা মতুংদা ময়াম অমুক বস মনুংদা কানরগা মশা মশাগী ফম্ফমদা ফল্লগা লমথুংফম য়ৌনবা গাড়ীদু দ্রাইভর শিন্নরগা থৌই। মথং নোংঙাল্লকপা তাং ২৫-২-২০১৮, লমতাগী ১০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎ, প্রোগ্রামগী মতুং ইন্নদি নবদ্বিপতা থুংগদবদু মমাঙদসু হায়জখ্রে - নাগালেন্দগী জুকো ভেল্লি হাইগৎফমদা তাং ২৩-২৪গী অহিংগী লোন্নবা ওইখিবনা তাং ২৪গী নুংথিলগী মতম খরসু মাঙখিবদগী পন্থুংফম য়ৌগদবদু খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা তাং ২৫-২-২০১৮গী নুমিদাংৱাইরম মতমদা ফারাক্কা দাম তারক্কদবা রুটশিংদু ত্রাফিক জাম শাংনা ওইরম্বদগী জলপাইগুরিদা চৎকে তৌরুরগা অমুক হন্দারক্তুনা অনীশুবা রুট অমদসু হান্নগীদুমায়না ত্রাফিক জাম য়াম্না শাংনা ওইরম্বদগী অমুক হন্দারল্লগা অহুমশুবা রুট ওইনা সিলিগুরিরোমদা থৌনবা হোৎনরকপদসু ত্রাফিক জাম অদুম ওইরমখি। হায়ফেৎ মান্নবা ফীভম ওইবদগী মসিদা শুম ঙাইরগা চৎলসি হায়না ফনা কুইনা রোদ ক্লিয়র ওইবা ঙাইখি। অদুদগী থৌগৎলকপনা তাং ২৫-২-২০২৮গী নুমিদাং চাউরাক্লা পুং ১১ রোম তাবা অদুৱাইদা ফারাক্কা দাম লানখি। তাং ২৫গী নুংথিলগী চাক চাফম মফম চাবা থিবা হোৎনবদা মতম খরসু মাঙলবা মতুংদা নুংথিলগী পুং ৩ তারমদাইদা চাক থোংলগা চারকখি। য়ারিবমখৈ পন্থুংফমগী শরুক খরা হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা হায়দুনা গাড়ী থৌগৎলকপনা নুমিৎতুগী নুমিদাংগী চাকসু য়াম্না থেংনা চাখি। চাবা লোইরবা মতুংদা গাড়ীগী খোঙজেলসু য়াঙখৎলকপগা লোয়ননা তাং ২৬-২-২০১৮গী অয়ূক্কী পুং ১১ রোম তারকপদা নবদ্বিপকী শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মশাইগোন্দা থুংগদবা মফমদু হান্না মফমদুদা ঙাইদুনা লৈবিরম্বা হোলি দলসিগী সেক্রেটরি শ্রী লৈমখুজম শরতচন্দ্র অমদি মেম্বর জুগেশ্বর অনীগা পাউ ফাওনরবা মতুংদা মফমদুদা হায়বদি ইস্কোনগী মন্দির মমাঙদা থুংখি। গাড়ীদগী ইশা ইশাগী পোৎ ময়োমশিং থাংথনরগা হান্না ঙাইবিরম্বশিংনা লমজিংবীরগা হান্না রিজার্ভ তৌদুনা থল্লম্বা কাশিংগী ছো হাংদোল্লগা ঐখোয় মেম্বরশিংদু কা অহুমদা চায়থোক্লুরগা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী সেবাইট সমিটিনা শাবা বিল্ডিংদুদা প্রোগ্রাম লোইবফাও লৈরকখি।

লমখাংদা অশোয় অঙাম য়াওরমদ্রবদি প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না তাং ২৫-২-২০১৮, লমতাগী ১০নি পানবা নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা ঐখোয়না তোংলিবা বস নবদ্বিপ্তা থুংগদবনি। অদুগী মহুৎতা তাং ২৬-২-২০১৮গী অয়ূক্কী পুং ১১ অদুৱাইদা থুংবনা অয়ূক্কী পুং ৮ তাবদা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মাণ্ডপতা একাদসিগী হোলি থৌগল তৌগদবদু নুংথিলদা ওইনা শকই। হোলি দলসিগী ওইবা ফিজোলদি (কোদ দ্রেসতি) ফৈজোম অঙৌবদা মপান চন্দবা (শদা হায়নবদু), অঙৌবা খুদাং চোনবী পুময়াৎ, মণিপুর সঙ্গিৎ নাত্য মহাবিদ্যালয় জয় পত্র হোলি দল থাবা লেংয়ান ফি, রেশম ফিগী মচু মরীনা শেম্বা ফিরাল অচৌবা, দল মমিং থাবা অঙৌবা মচুগী ফিরাল অসিনচিংবা অতৈ য়ৈনবা ধুলোক ৮, মোইবুং খোংবা লোইনমক শুনা য়াওই। মতাং অসিদা অখন্নবা পঞ্জনীংবা ৱাফম অমদি মশাগী চহী ৮০গী ময়া শুরল্লবা হোলি দলসিগী ধুলোক্কী লুচিংবা মিং ওইনা পঞ্জরবদা শ্রী সলাম মাইপাক, অদুগা হোলি দলসিগী অশাংবা ঈশৈ হনবদি মশাগী চহী ৮৫/৮৬কী ময়া ওইরবা মিং ওইনা পঞ্জরবদা পাঞ্জি সোরাম ইবোচৌবনা ইম্ফালদা শকপা শৈফমশিংদদি অহল মতম ওইরবসু হান্নদগীসু ঈশৈ হনবা ওইরকপনা ঈশৈ হনবা ওইবসি নবদ্বিপতদি চৎপা ঙস্লোইদবনা ওজা লাইশ্রম ইতোমচাদা ঈশৈ হননবা শিন্নবদা মখা তানা ঈশৈ হনবা ওইনবা হায়বগী ৱাফম ফাওবা শ্রী সোরাম ইবোচৌনা ফোঙদোকখিবা লৈখি। মসিনা তাকপদি অহল মতম ফজনা ওইরল্লবা ওজা শ্রী সোরাম ইবোচৌনা সঙ্কির্ত্তনগী ঈশৈ শকপা, লমদমসিগী বৈষ্ণব সম্প্রাদয়নসু মশক খঙলবা শ্রী লাইশ্রম ইতোমচাবু হোলি দলসিগী মহুৎ মরেং শিনবা ঈশৈ হনবা অমা ওইবদা, তুংগীদমক খল্লগা, থাজবা থম্বীবদগীনি হায়নীংই। অদুনা হন্দক ২০১৮গী য়াওশঙগী হোলি ঈশৈ শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মাণ্ডপতা ঈশৈ হনবা ওইনা শ্রী লাইশ্রম ইতোমচানা ওইরগা অতৈ মতেং পাংবশিংনা মাগী মচা মনাওশিং ওইনা লৈরিবা মিং ওইনা খরা পল্লবদা- খিংবা, ঙৌবা, বুধনচিংবা কয়াগা লোয়ননা হোলি দলসিগী দুহার ওইনা কুমজা কয়া ওইদুনা লাক্লবা মিং ওইনা পল্লবদা শ্রী ব্রজবাসিময়ূম বিদ্যানিধি শর্ম্মা অমদি ঈশৈদি ফারগা মীমাঙ থোক্ল। ঈশৈ শকপদি ঙমদবা থৱায় য়াওজবা অহল-নহা কয়াগা লোয়ননা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী থৌগল তৌখিবদু য়াম্না মপূং ফাখি। মসিগী মরমদি শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী সেবাইট সমিটিনা হোলি দলসিবু ফজনা মশক খঙবীবগা লোয়ননা হোলি দল অতৈদগী হেন্না লুম্না লৌবীবদগী একাদসিগী হোলি কাবদা দলসিগী ওইনদি ঈশৈ মকোক্তগীনা লোইবা ফাওবা অমত্তা চিখদনা শক্লবা খুদোংচাবা পীবিবদগী ঈশৈ শকপা অমদি ধুলোক য়ৈবা লোইনমক মশা মশাগী মতিং ফুদোক্তুনা তৌনখিবদগী মাণ্ডপকী অকোয়বদা থারিবা ফম্ফমশিংদা ফল্লগা নাম তাবিরম্বা বৈষ্ণব-বৈষ্ণবীশিংনা মাণ্ডপ ময়ায়দা ফাওবা চঙশিল্লক্লগা পামুবা লৈতনা লুপা ১০ চৎপী নোট অহনবশিংনা নাকেন্থাগী মতমদা উপালশিংদগী-ৱাপালশিংদগী উনা-ৱানা লেপ্পা লৈতনা চবুল ওইনসু চাইথরকপগুম মাণ্ডপ মনুং অমসুং অকোয়বদা শেলগী নোং চুবগুম তৌখি। মরক্তা কনাগুম্বা-কনাগুম্বী খরনসু লুপা ১০০ চৎপী নোটসু অদুম কৎপীরকখি। নাম তারিবশিংনা হোলি দলসিগী পূক্নিং হূরবা ঈশৈ ময়েক অমদি শৈহেক শৈদা অমদি থৱায় হাপ্পিরিবা ঈশৈ শকপশিং অমদি ধুলোক য়ৈবশিংগী চোলোম, লৈমায়দা ধোন (পূং) থল্লগা লোং কোয়না চেল্লগা য়ৈবা অদুগা অমুক মদুবু লৌখৎলগা ঙক্তা য়ানশিল্লগা, চোঙলগা তাল চানা য়ৈবা ফীভমনচিংবা কয়াসি উরুবদা মীৎয়েংলোই ওইবিরিবা বৈষ্ণব-বৈষ্ণবী কয়ানা ‘মৈ হৌবী হোলি দল’ হায়নফাওবা থাগৎপীরকপগী অশেংবা পাউদম লৈখি। মসিগী লেংদ্রবা প্রমান্দি - অহানবা শকপা শৈফমসিদা ময়াম পূন্নমক্লা থাবিরকপা শেনফম লুপা লিশীং তরামঙাগী ময়াদা ওইরমখি। হোলি দলসিগী ওইনা নুমিৎতুগী শকখিবা-তৌখিবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফাখিবনি হায়না লৌনখি। শেনফমদুদগী মেম্বর খুদিংমক্তা চাং চপ মান্ননা লুপা ২০০/২০০ য়েন্থোক্লগা অরেম্বদুনা ফন্দ ওইনবা থমখি।◐